# চহী ২২গী মতুংদা অহানবা ওইনা ইন্দিয়া এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়া কপকী ক্কালিফাইদ ওইখ্রে

**চিয়াং মাই, জুলাই ০৫ (এজেন্সী):** থাইলেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়া কপ ক্কালিফয়র্সকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু থাইলেন্দ মায়থীবা পীরল্লগা চহী ২২গী মতুংদা অহানবা ওইনা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়া কপতা অমুক হন্না ক্কালিফাইদ ওইবা ঙমখ্রে।



ইন্দিয়া অমসুং য়ুম্বু থাইলেন্দগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু য়েংবদা য়াম্না নুংঙাইবা মেটচ অমা ওইখি। মরমদি ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু ইন্দিয়া অমসুং থাইলেন্দ লৈবাক অনীমক্কী ওইনা য়াম্না মরুওইবা মেটচনি। মেটচ অদুদা মায় পাল্লবা টিম অদু এ এফ সী ৱিমেন এসিয়া কপতা ক্কালিফাইদ ওইবা ঙমগদৌরিবনি। মরম অদুনা নাকল অনীমক্না মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি।

টিম অনীমক্না মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্তুনা শান্নখি। নাকল অনীমক্না অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা অদুদা ২৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী সঙ্গিতা বাসফোরেনা টিমগী অমদি মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোয়বা ফাওবদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু থাইলেন্দদগী পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুদা থাইলেন্দগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙম্নবা মখল মখা কয়াগী এটেকশিং চথদুনা শান্নবা হৌরকখি। মেটচ অদুগী ৪৭ শুবা মিনটতা থাইলেন্দগী চটচৱান রোধোংনা ইক্কেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা পাঞ্জল ১-১দা মান্ননা লৈখি। মখা তানা টিম অনীমক্না পাঞ্জল চনবা ঙম্নবা অমদি মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী ৭৪ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী সঙ্গিতা বাসফোরেনা টিমগী অমদি মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

থাইলেন্দগী মায়কৈদগীসু পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা হান্নদগী হেন্না য়াম্না কন্না শান্নরকখি। অদুবু মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা ইক্কেলাইজর ওইগদৌরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাঞ্জল ২-১দা মায় পাক্তুনা এ এফ সী ৱিমেন এসিয়া কপকীদমক ক্কালিফাইদ ওইবা ঙমখিবনি।

চথরকখিবা এসিয়া কপ ক্কালিফয়র্স অসিগী ওইনা ইন্দিয়ানা মেটচ ৪ শান্নখিবগী মনুংদা মেটচ ৪ মক মায় পাকপা ঙমখি। অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা মঙ্গোলিয়াবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ১৩-০দা মায়থীবা পীরমখি। অনীশুবা মেটচতনা টিমোর লেষ্টপু পাঞ্জল ৪-০দা অদুগা ইরাকপুনা পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা লাকখ্রবা মতুং ঙসি য়ুম্বু থাইলেন্দবু অমুক মায়থীবা পীরল্লগা এ এফ সী এসিয়া কপকীদমক ক্কালিফাইদ ওইবা ঙমখিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৩দা ইন্দিয়াগী নুপী টিমনা অহানবা ওইনা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়া কপকীদমক ক্কালিফাইদ ওইবা ঙমখি। মদুগী মতুং ঙসি ফাওবা ইন্দিয়ানা হায়রিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়া কপতা ক্কালিফাইদ ওইবা ঙমদনা লাকখিবনি।

# ষ্টেট সব জুনিয়র অমসুং সিনিয়র থাঙ-তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ থাঙ-তা শঙলেন্দা হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস):** হুইয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিশননা শীন্দুনা ঙসিদগী হৌরগা য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা থাঙ-তা শঙলেন্দা ৩৪ রক শুবা ষ্টেট সব জুনিয়র এন্দ সিনিয়র থাঙ-তা চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ হৌদোকখ্রে।

ঙসি চেম্পিয়ন্সিপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ষ্টেট কালা একাদেমী এৱার্দিসু ওইরিবা পহ্নলাসি ময়ায়কোয়বগীগী প্রিন্সিপাল মোইরাংথেম রাজেন মীতৈনা অথোয়বা মীথুংলেন, হুইয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএশন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা থৌরম মপু অদুগা থাঙ-তা ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী হান্নগী সেক্রেটরি থৌনাওজম প্রিয়োকুমার অমদি হুইয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএশনগী সেক্রেটরি হৈক্রুজম চাবাবুনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।



ঙসি হৌদোকপা নুমিৎকী সব জুনিয়র গার্লসকী ফুন্নবা ১গী কেজি ২৯গী কেটাগরিদা এন জি দোনিকা চনুনা গোল্ড অদুগা য়াইস্না নাওরেমনা সিলভর লৌখি। কেজি ৩৩ মখাগী কেটাগরিদনা এন জেনিফর অমসুং টি ঐচ লিভানা মথংশিংনা গোল্ড অমসুং সিলভর লৌখি। কেজি ৩৭ মখাগী কেটাগরিদনা ভর্টিনা মুতুম অমদি ও পুস্পা চনুনা গোল্ড অমদি সিলভর লৌখি। কেজি ৪১গী কেটাগরিদনা এস হেন্থোইসনা, এম স্বিটি অমসুং দল্লিয়ু কিরুনা মথংশিংনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

কেজি ৪৫ মখাগী কেটাগরিদনা দল্লিয়ু এলোনা, এন লকি চনু অমসুং টি ঐচ ভুমিকা চনুনা মথংশিংনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৪৯ মখাগী কেটাগরিদনা মথংশিংনা সী ঐচ লনচেনবী, ও প্রিটি অমসুং নেভিয়া নিংথৌজমনা গোল্ড, সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ লৌখি। কেজি ৫৩ মখাগী কেটাগরিদনা কে ভুমিকানা গোল্ড লৌখি। অদুগা কেজি ৫৩ মথক্কী কেটাগরিদনা ৱাই লনচেনবী, এম ইটলি চনু অমদি টি ঐচ সুস্মিতা চনুনা মথংশিংনা গোল্ড, সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ লৌখি।

সব জুনিয়র গার্লসকী ফুন্নবা ২ শুবগী ওইনা কেজি ২৫ মখাগীদা অঙোম নোংঙাল্লেমা চনুনা গোল্ড, কেজি ২৯ মখাগীদনা লনচেনবী এননা গোল্ড অদুগা কেজি ৩৩ মখাগীদনা টি ঐচ জোলি চনুনা গোল্ড লৌবা ঙমখি।

# চান্দেল পুলিসনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জুলাই ০৫ (ঐচ এন এস):** নেশনল ফুটবোল ওথোরিটিনা কন্দক্ট তৌবা নেশনল এলিট রেফরি ফিটনেল টেষ্টতা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতগী রেফরি টি ঐচ জয়সিং মোন্সাংনা মায় পাকপা ঙল্লকখিবা অদুদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।



হীরম অসিগা মরী লৈননা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়, জয়সিং মোন্সাং থকশি-খাশি লৈবা, কথোকপনা মাঙজিল থাবা অমদি রেফরি অমা ওইনা মথৌ ফজনা তৌবা মীওই অমনি। জয়সিং মোন্সাংনা অসিগুম্লবা ফিটনেস টেষ্ট অমা মায় পাল্লকখিবা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী ওইনদি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাই মীকুপ অমনি।

মহাক্না ফিটনেস টেষ্ট অসিদা মায় পাল্লকখিবা অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী টোপ ফুটবোল রেফরিশিংগী মনুংদা ফিদা অমা কনবা ঙল্লে। হৌখিবা কুমজা ২০২২দা মহাক কেটাগরি ১ রেফরি ফিটনেস টেষ্ট মায় পাকখিবনি। জয়সিং মোন্সাং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জফো বজারদগী টি ঐচ অংপাটিন মোন্সাং অমসুং সর্মিলা মোন্সাংগী অনীশুবা মচানুপানি। চান্দেলগী ওইনা মহাক্না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশনগী কেটাগরি ১গী রেফরি ওইবা ঙম্বা অহানবসু ওইরি।



# VEHICLES LOAN / PENSION LOAN / EMPLOYMENT NEWS

- 2/3/4 Wheeler Loan and Used Car ফংবীগনি।
- State/ Central Pensioner শিংগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% p/m গী Interest তা পীজরি।
- Employment News : Office Asst. (Graduate + upto 32 yrs), 2 Wheeler Mechanic, Mechanic Helper, Car Wash Helper, Chicken Centre Helper 2/2, Tyre Fitting Helper অমসুং চেক্কী Mistry, Jugali পামজৈ।
- 2 Wheeler used vehicles exchange কী খূদোংচাবসু ফংবীগনি।

*Please Contact :* **L.G. Motors**
Khagempalli Huidrom Leikai,
Mobile No. : # 9362775475 / #8414081916

HL-B/9607/6


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1525**

**IM Jan Miesbauer (2402) - GM M. Ragger (2579)**
**TCh-CZE Extraliga 2024-25 Czech Republic CZE, 2025.03.30**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bb5 a6 | 4.Ba4 Nf6 | 5.d3 b5 |
| 6.Bb3 Bc5 | 7.a4 Rb8 | 8.axb5 axb5 | 9.Nc3 d6 | 10.Nd5 Nxd5 |
| 11.Bxd5 Ne7 | 12.Bb3 O-O | 13.O-O Ng6 | 14.Bg5 Qe8 | 15.Be3 h6 |
| 16.c3 Qe7 | 17.d4 Bb6 | 18.Re1 Qf6 | 19.dxe5 dxe5 | 20.g3 Bh3 |
| 21.Nd2 Rfd8 | 22.Qf3... | | | |

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1524 Solution :**

**40. ...Rh1+** *The black rook decoys White's king. The black rook deflects White's king away from protecting the pawn.* **41.Kxh1 hxg3+** *With a discovered check by the black queen.* **42.Kg1**
*42.Qh5 Qc1+ 43.Qd1 Qxd1+*
**42. ...Qc1+ 43.Re1 Qxe1#** *Back-rank mate*
**0-1**






Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com